থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# ঐগী বোস, বোসতুগী বোস, মকোক অদু কনানো?

মোদর্ন সোসাইটি অসিদা হিংলিবা/হিংমিন্নরিবা ঐখোয় পূন্নমক, মমা-মপা-মচা-মশু-মচীন-মনাও-য়ূমলোন্নবা-কৈরোন্নবা- মরী-মতা-মরূপ-মপাঙ পূন্নমক অমনা অমদা করিগুম্বা মওং অমা নৎত্রগা অমদা মপাল তাংদুনা হিংনরিবনি। অমনা অমদা মপাল তাংই হায়দুনসু অমনা অমগী মথক্তা লৈবদি নত্তে। মীনায় হায়বা কনাগুম্বা অমগী থৌগল (সেবা) তৌরগা হিংনবই পাম্বে ওইজবা মী মখল অদু ঐখোয়না খন্নে-তোনবদগী তোল্লবা মী মখল অমনি। ঐদি খল্লি-মহাক অতোনবা মী নত্তে। কনাগুম্বা অমগী, নৎত্রগা ইমুং অমগী অমোৎ-অকায় শেংদুনা, ফিশু-ফিজাম তৌদুনা, কোন-লীক ফেঙদুনা, চাকথোং-ফৌশু তৌদুনা, করিগুম্বদা মশা ঙস্লক্তবদা মশা পায়দুনা থৌগল তৌরিবা মীদুবু হন্থবা থাক্কী মী অমনি খন্দুনা হন্থনা য়েংবীবা... ৱাখলসিনা নৌরিঙৈ, অঙাং ওইরিঙৈ মতমদগী য়ানিংলকখিদ্রবা ৱাখল্লোন অমনি। অসিগুম্বা থবকসি ‘পূকচেল চাওবা থবক’ (নোবল প্রোফেসন) অমনি- খনবা ঙমহনগদবনি। মখোয়গী সর্ভিস অসি য়াওদনা ‘মশা-মউ ফবা জাতি’ (হেলদি-নেসন) অমা শেমগৎপা ওইথোক্তবা অমনি হায়বসি ঐখোয় পূন্নমক্কী ৱাখলদা চপ মান্ননা খনবা ঙস্লবদুতদা, মান্নবা খুন্নায় হায়বদুগী য়ূম্ফম থোনগদৌরিবনি। ৱাইশীৎ-লমশেং তৌরিবা ‘স্বীপ্পর’ হায়বা কাঙলূপ অসি লৈতনা, ‘লূ-নান্‌বা’ লৈপাক অমা ওইহনবা ঙমগদরনে? গান্ধীনা হরিজনশিংগী মরক্তা লৈদুনা মখোয়গী থৌগল তৌরিঙৈ, ‘লোর্দ মাউন্টবেত্তন’না মাবু অরুবা ৱা তান্নবা কৌরকপদা ‘নঙনা ঐবু উননীংলবা নঙনা ইনাক্তা লাক্কদবনি, ঐনা উননীংলগনা ঐনা ননাক্তা চৎকদবনি’ হায়দুনা ‘মাউন্টবেত্তন’বু হরিজনশিংগী লৈফমদা, নমথী-হন্নাই মরক্তা কৌবা ঙমখিবা লুচিংবা, গান্ধীগুম্বা অমনি ঙসি তঙাইফরক্ত্রিবা। ঙৌরোক ঙৌবা, অনানবা ফি শেৎলগা, অনানবা লম্বী অমদা ঊনা-ৱানা খরা চাইথোক্লগা, মখূৎতা অহনবা শুমচিৎ পায়রগা কেমেরা মমাঙদা ৱাই শীৎচিন্নবা লুচিংবদু নত্তে, ঙসি ঐখোয়না পাল্লিবা। কোভিদ-১৯গী মতমসিদা, দোমেষ্টিক সর্ভেন্ট অমদি ম্যুনিসিপালিটি স্বীপ্পরশিংদা পর্সনেল প্রোটেক্টিভ ইক্বিপমেন্ট পীবগী ৱাখল করম্বা লুচিংবগী মকোক্তুদা লৈরমগদগে? ফোঙদোকচবা ঙমদবগী ৱানি, অতোনবা, হন্থবা থাক্কী ইমপ্লোয়ী অমদি সর্ভেন্টশিংগী মকোক্তুদদি হায়নিংবা ৱা, তৌনিংবা ৱাকৎ ময়াম্না পাথোক্তুনা লৈরম্লি... ‘ঐনা (ঐগী) বোস অসি ওইরম্লবদি মহাক্না চৎলিবা লীচৎ অসি চৎলম্লোই... মীগী অৱাবা, খূদোংচাদবশিংসি উবীদুনা, তৌফম থোকপশিং হায়নবা নাইদা’ তৌরমগনি, ৱাকৎনবা তাঞ্জা পীরম্লোই...’ অসিনচিংবা।

ৱাখল অসি, ‘ঐবু ঐগী বোসনা মশক খঙবীদ্রে, তুহৎপীরে, ফংফম থোকপদু ফংহনবীদ্রে...’ হায়বনচিংবসি খল্লুরবা, অচুম্বা ওইরবোই নীংগনি। অদুবু, মুন্না খনজিল্লুরবা-খঙলক্কনি ‘ৱাখল অসি অরানবনি’। মরমদি, ‘বোস’ খূদিংমক্কী মথক্তা, মহাকপু ঙম্বা অতোপ্পা ‘বোস’ অমমম্ লৈ। মহাকসু, মহাক্কী বোস (মপূ)দুদা ‘শেংদোক ৱারোল’ অমমম্ পীদৌরিবনি, তঙাইফদবা অমনি। হংবীনীংগনি- থেংখাং থেংখাং লৈখিবা ‘বোস’ পূন্নমক্তুগী মকোক্তা লৈরিবা ‘বোস’তুদি কনানো? কম্পনিদুগী চেয়রমেন, নৎত্রগা প্রোপ্রাইটর (ওনর)দুগী মথক্তা কনানো? দিপার্টমেন্ট অমগী হেদ, হেদতুগী মথক্তা দাইরেক্টর, সেক্রেটরি, কম্মিস্নর... মিনিষ্টর! মিনিষ্টরদুগী মথক্তা কনা? মহাক্না সুপ্রিম ওথোরিটি’রা? নত্তে, কনাগুম্বনা হায়রক্কনি- মাগী মথক্তা ‘ঈশ্বর’ লৈ। ঈশ্বর’না সুপ্রিম ওথোরিটিনি।

নো! ঐদি হায়গনি- নোসন অসিসু অরানবনি। ঈশ্বরনা ঐখোয়দা কৈদৌঙৈদা থৌদাখিদে-মসি তৌ নৎত্রগা তৌগনু। কৈদৌঙৈদা তাকখিদে- মসি অরানবনি নৎত্রগা অচুম্বনি। লৈপাক অমগী নিংথৌ, নৎত্রগা কম্পনি অমগী চেয়রমেন অমগী মফমদা অইবা নৎত্রগা ইদবা লো অমনা মতম চুপ্পদা পুন্দুনা লৈ, মহাক্কী থৌদাং অমদি থৌগায়শিং (দ্যুটিজ এন্দ রেস্পোন্সিবিলিটিজ)-হায়নরুবা তৌদনা পাঙথোকপা মীদুবু কৌই ‘অফবা লুচিংবা’। মহাক্না কিদে কনাবুসু। নোরোক্তা তানি হায়বগীসু ৱারুদে। অদুগুম্বা লুচিংবা অদুনা কিজবা অমখক লৈ। ঈশ্বর/অল্লাহ/লাই নত্তে। মীয়াম, লৈপাক মীয়াম (প্রজা) অদুতনি- অফবা নিংথৌ/অফবা লুচিংবা/ আইদিয়েল বোস অমনা খ্বাইদই হেন্না কিজবা। ‘রাজা’ অমসুং ‘প্রজা’- অনীনা লৈপাক শেম্বনি। প্রজা লৈতনা রাজা লৈতে, ‘রাজা’গী মতীক ময়াই (পাৱর/শক্তি) হাপ্লিবসু প্রজানি। প্রজাগী মথক্তা রাজা লৈতে। মোদর্ন দেমোক্রেসি’দসু মীয়াম্না মিনিষ্টর শেম্বনি, মিনিষ্টরগী মথক্তা মীয়াম লৈ হায়বসি, মীয়ামসিনা খঙলক্তবসিনি খ্বাইদই লাইবক থীবদি। প্রজানা রাজা শেম্বনি হায়বা কাউখ্রবা, প্রজাদি রাজাগী মীনায়নি হায়বা ৱাখলসিদা লুপখ্রবা মীনা মশীং য়াম্লকপা, ৱাখলসি মরূ হুন্নবা পোলিটিকেল লীদরশিংগী ‘কালকুলেটেদ মুভ’ অমা ছত্রংগী পো কাঙবগুম থাংলকখিবা খোঙথাংদুনা, ঙসি, ‘মাঙসু লাং তুংসু তেন’ হায়বা, ছত্রংগী ‘চেক-মেৎ’ (লেঙবা য়াদ্রবা দৃষ্টি) তৌদুনা থমখ্রবা ফীভম অদুদা থমখিবনি। প্রজাশিংবু ‘পাম্বে লৈত্রবা লায়রবা’, ‘মখোয়গী মতেং য়াওদ্রবদি হিংঙমদ্রবা’ কাঙলূপ ওইনা থম্বা হায়বসি ‘ইন্দিয়ন পোলিটিকেল লীদর’শিংগী অমত্তা ঙাইরবা পান্দমনি। থৌশিল (পোলিসি)দুগী মহয়নি- মরা তাখ্রবা ‘য়েস-বোস’কী কলচর।

কম্পনিশিংগী চেয়রমেন (ওনর)দুগী মথক্তা শেয়রহোল্ডর, ফাইনান্সিয়র অমদি ষ্টেকহোল্ডর (ইমপ্লোয়ী অমসুং ৱর্কর)শিং লৈ হায়বসি, মায় পাক্লবা কম্পনি অমত্তনা কাউদবগুম, অফবা পোলিটিকেল লীদর অমনসু প্রজাশিংগী ‘ভেল্যু’ মশক খঙই। ‘ঐগী তৌফম থোকপা ইথৌদু ঐহাক তৌরিবরা... থৌদাং অদু কয়াম নীংথিনা পাঙলবগে’... হায়বা ৱাহংসিগী পাউখুম খঙদবসিতা মঙায়রে।

লৌশিং পুক্কে

# ফেট মরাঙ কায়না য়াওবা চীঞ্জাক তোয়না চাবনা ইন্টেষ্টিনেল কেন্সরগী রিস্ক হেনগৎহল্লি

ফেট মরাং কায়না য়াওবা চীঞ্জাক তোয়না চারবদি ইন্টেষ্টিনেল কেন্সরগী রিস্ক হেনগৎলকই হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙবা ঙম্লে। য়ুনিভর্সিটি ওফ পেন্সিলভেনিয়াগী রিছার্চর জোন লেমব্রিসনা হায়খি, উচিদা চাংয়েং তৌদুনা য়েংবদা ফেট য়াম্না য়াওবা চীঞ্জাক চাবনা ইন্টেষ্টাইনদা কেন্সর তৌহল্লি হায়বা খঙলকপনি।

‘মোলিক্যুলর কেন্সর রিছার্চ’ জর্নেলদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, হকচাং লূম্বা নৎত্রগা লূমদবা অমসুং ময়াং কংবা নৎত্রগা মশা নোয়বগী ৱাফম্না তোঙান্না থমখ্রগা চাবা থকপগী মওং শোয়রবদি ইন্টেষ্টাইনদা কেন্সর তৌরকই হায়বা ময়েক শেংনা খঙলে।

হকচাংগী অরূম্বা অমসুং অনোয়বা হেনবা হায়বসি কেন্সরগী মরুওইবা রিস্ক ফেক্টরনি। অদুম ওইনমক ময়াং কংবা মীওই ওইরবসু ফেটকী শরুক য়াওবা চীঞ্জাক তোয়না চারবদি কোলোরেক্টেল কেন্সরগী রিস্ক হেনগৎলকই হায়না য়ুনিভর্সিটি ওফ পেন্সিলভেনিয়াগী রিছার্চর এদিমারা রিসনা ফোঙদোকখি।

রিছার্চরশিংনা উচি খরদা ফেটকী শরুক কা হেন্না য়াওবা চীঞ্জাক পীজরম্মী। অতোপ্পা খরনা ইচম চম্বা মওংদা অতৈ অতোপ্পা চীঞ্জাকশিং পীজরম্মী। মতম খরগী মনুংদা চাংদম্নদুনা য়েংবদা ফেটকী শরুক কা হেন্না য়াওবা চীঞ্জাক পীজবা উচি কাঙলুপ অদু ইন্টেষ্টিনেল কেন্সরগী রিস্ক ৱাংখৎলকপা থেংনখি।

ফেট য়াওবা চীঞ্জাক চাবনা থোকহল্লকপা য়াবা খুদক্কী ওইবা সাইদ ইফেক্টতি পূক নুংশিৎ কাবা, পূক কংখৎপা, থগেবদা অশিনবা কাবা অমসুং থবাক শাবনি। তুংদা থোকহল্লকপা য়াবা লোং-টর্ম সাইদ ইফেক্টনা হার্ট দিজিজগী রিস্ক হেনগৎহনবনি। হকচাং ফনা লৈনবগীদমক ফেটকী শরুক খরদি অদুম্মক চাবা মথৌ তাই। অদুবু অকন্নবা চাং অমা লৈগদবনি।

‘ন্যুয়োর্ক টাইমস’ হেল্‌থ গাইদকী রেকমেন্দেসন মতুংইন্না সেচুরেটেদ ফেট অমসুং ট্রান্স ফেটকী চাং হন্থরগা অন্সেচুরেটেদ ফেটকী চাংনা হেন্না চাগদবনি। তোঙান তোঙানবা শা মরুওইনা রেদ মিটতা সেচুরেটেদ অমদি ট্রান্সফেট য়াওই। ওলিভ ওইল অমদি ঙা মখল খরদনা অন্সেচুরেটেদ ফেট য়াওই। সেচুরেটেদ অমসুং ট্রান্স ফেট য়াম্না চাবনা ইনফ্লেমেসন থোকহন্দুনা ইন্টেষ্টিনেল কেন্সরগী রিস্ক হেনগৎহনবনি।

অমেরিকান হার্ট এসোসিএসনগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, চাংচৎতা অমেরিকানশিংগী চীঞ্জাক্তা ফেটকী শরুক য়াম্না য়াওই। মদুনা মরম ওইরগা দাইবেটিস অমদি কোরোনরি হার্ট দিজিজনচিংবা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা লায়নাশিংগী রিস্ক হেনগৎহল্লি। সেচুরেটেদ ফেট অমসুং কোলেষ্টরোল য়াম্না য়াওবা চীঞ্জাক চাবনা ঈ উতোংশিং ফুঞ্জিলহল্লি। ইনখৎলক্লিবা অঙাংশিংদি অয়াম্বা মতমদা চেন-চোংদুনা শান্নবনিনা ফেট য়াওবা চীঞ্জাক চারবসু থোইনা অকায়বা লৈতে। অঙাং ওইরগসু হকচাং লেঙ-ওৎপগী চাং ৱাৎলগদি ফেট য়াওবা চীঞ্জাক চাবদা খুদোংথিনিংঙাই ওই।

মীওইবনা চাবদা য়াওখিবা সেচুরেটেদ ফেট অমসুং ট্রান্স ফেটনা ঈ উতোংদা পৈশিল্লকপদগী ঈ উতোং অদু খুজিল্লকই। মদুনা মরম ওইরগা ঈগী ঈচেলদা অকায়বা থোকহল্লি। থৌওং অসিবু এথরোসক্লেরোসিস হায়না খঙনৈ। কোলেষ্টরোল য়াম্না য়াওবা চীঞ্জাক চারবদি হাইপরটেন্সন (ব্লদ প্রেসর ৱাংবা) ওইহল্লকই। ঈ উতোং ফুঞ্জিল্লক্তুনা ঈগী ঈচেলদা অকায়বা থোরকপদগী ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলকপনি। কিদনি য়াওনা তোঙান তোঙানবা হকচাংগী কয়াৎশিংদা অকায়বা থোকহল্লকপা মরম্না ব্লদ প্রেসর ৱাংবগী থৌওং অসি খুদোংথিনিংঙাই ওই।



ব্লদ প্রেসর ৱাংবনা থোকহল্লকপা য়াবা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থৌওংশিংদি হার্ট এটেক, ষ্ট্রোক অমসুং কিদনি ফেলিয়রনচিংবনি।

চাবা থকপগী মওং শোয়দুনা হকচাংগী অরূম্বা হেনগৎলকপদগী টাইপ-টু দাইবেটিস নারকপা তারবদি অমুক্কা হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওই। এথরোসক্লোরোসিসনা মরম ওইরগা ব্রেন য়ৌবা ঈ উতোং ফুঞ্জিল্লক্লবদি ষ্ট্রোক তৌরকপা য়াই। হার্টকী রিজনদা লৈবা ঈ উতোং ফুল্লগনা হার্ট এটেক তৌরকই। হার্ট এটেক অমদি ষ্ট্রোকনা মী শিহনবা য়াই।

ঐখোয়না চাশিনখিবা চীঞ্জাক খুদিংমক দাইজেষ্টিভ সিষ্টেমনা তুমহনবদা গ্যাস থোরকই। অদুবু গ্যাস কা হেন্না থোরক্লবদি হকচাং নুংঙাইহন্দে। নেসনল দাইজেষ্টিভ দিজিজেজ ইনফোর্মেসন ক্লিয়রিং হাউসকী রিপোর্ট মতুংইন্না ফেট য়াওবা চীঞ্জাক য়াম্না চারবদি পূক ইথন থনগৎতুনা লৈবা মরম্না নুংশিৎ কারকপদগী হকচাং নুংঙাইহন্দে। মরুওইনা থাউদা তাউবা নৎত্রগা ঙৌবা চীঞ্জাক চাবদগী খুদোংচাদবা অসি ওইহল্লকই। য়াম্না তোয়না থগেবদা অশিনবা কাবগী থৌওংবু গ্যাষ্ট্রোইসো-ফেজিয়ল রিফ্লক্স দিজিজ (জি ঈ আর দি) কৌই। মরক মরক্তা জি ঈ আর দিগী খুদোংচাদবা মায়োক্নরবদি এন্টাসিদ শীজিন্নরগা নৎত্রগনা চাবা থকপগী মওং হোংদোক্লগা ফহনবা ঙম্মী। অদুবু য়াম্না তোয়না মায়োক্নরবদি হকচাংদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম থোকহল্লি। ফেট য়াম্না য়াওবা চীঞ্জাক তোয়না চাবনা খুদোংচাদবা অসি ওইহল্লকপনি। য়ুনিভর্সিটি ওফ মেরিলেন্দ মেদিকেল সেন্টরগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, ফেট মরাং কায়না য়াওবা চীঞ্জাক তোয়না চাবা মতমদা ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা কোলেষ্টরোল ৱাংখৎল-কপদগী হার্ট দিজিজ অমসুং কার্দিয়াক এরেষ্টকী রিস্ক হেনগৎলকই। সেচুরেটেদ ফেট অমসুং কোলেষ্টরোল মরাং কায়না য়াওবা চীঞ্জাকশিংদি শনশা, হামেং-শা, হোল মিল্ক, ক্রিম অমসুং য়েরুম মমুৎনচিংবনি। মফম খুদিং য়োল্লিবা কুকিজ, কেক, চিপ, ক্রেকর অমদি ফাষ্ট ফুদশিংদা ট্রান্স ফেট য়াম্না য়াওই। য়ারিবমখৈ অসিগুম্বা মখলগী চীঞ্জাক চারোইদবনি।


হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি



**তায়েঙ্গম মুনাল, থৌবাল খুনৌ অৱাং লৈকায়**

ঈংনা-চিক্না লৈজরম্বা লমদম অসি ঙসিদি কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা নোংম-নোংমগী ফীভম লুশিল্লক্লি। মপান্দগী হল্লকখিবা মীওইশিংদা নত্তনা মপান্দা চৎলুদবা মীওই কয়াসু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকখ্রে। মসিদগী লমদম অসিগী মীয়াম্না নোংম-নোংমগী মিপাইবা হেনগৎলক্লি। অসিগুম্বা খুদিংমক্কী অৱাবা মরক অসিদা অতোপ্পা লায়ননা নারকপদা লায়েংবগী খুদোংচাবা লৈতবগী ফীভম অমদা লাক্লে। থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতসু কোভিদ-১৯গী ফীভম ফত্তবনা মরম ওইরগা থৌবালগী অনাবা মীওইশিং লায়েংবিদবদগী থৌওং লৈরে হায়বসি য়াম্নমক লাইবক থীবনি। হীরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবিয়ু। অসিগুম্বা পাউ তাবদা পূন্নমক্না নুংঙাইতবা ফাওই। লৈঙাক্না লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা হায়দুনা শেল্লিবা চৎন-কাংলোনশিং ঙাক্না চৎপনা পূন্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি। লায়না অসিদগী মতৌ করম্না ঙাকথোক্কনি হায়বসি পুন্নমক্না খঙলবা ৱাফমনি। মরম অদুনা থৌওইদবা তৌবিদনা চেকশিন্না চৎমিন্নসি মরমদি মীওই খরদংনা চেকশিনবনা লায়না অসিদগী ঙাকথোকপা ঙম্লোই। লৈঙাক্কী মথক্তসু কোভিদ-১৯বু লাকশিন্নবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা অমদি প্রোব্লেম কয়া অমসু লৈরম্বা য়াই। অদুবু অতোপ্পা লায়নাগী মতাংদসু মীৎয়েং চঙবিয়ু।



**পুখ্রম্বম বিশ্বজিৎ, মালোম তুলিহল**

ঙসি ফাওবদা দ্রগ ললোনল্লিবা মীওইশিংদা লোগী ওইবা অকনবা চৈরাক পীদ্রিবা অসি মীচম অমা ওইনা নুংঙাইজদে। ৱাফম অসিগী মতাংদা শেংনা হায়রবদা অচৌ-অচৌবা দ্রগকী ৱাথোক্তাশিংদা চেন্নরিবা মীওইশিং ফাখ্রবসু অদুমক তুমিন্না লৈনখি। মদুনা মরম ওইদুনা লমদম অসিগী ইনখৎলক্লিবা মীরোলশিং মাংনবগী অচৌবা মচাক অমা ওইরে। ঙসি মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা দ্রগ য়াম্না লায়না ফংবা হায়বদু ওইরে। মরম অদুনা মরী লৈনবশিংনা পুকচেল শেংনা লমদম অসিদগী দ্রগ মরু ফংনা মুথৎনবগী অকনবা মওংদা থবক তৌহন্নিংই। অতোপ্পা লৈবাকশিংদা দ্রগ ললোনবশিং ফাবদা পীরিবা অচৌবা অকিবা ফংলবা চৈরাকশিং অদু লমদম অসিদসু চৎহন্নিংই। নৎত্রবদি দ্রগকী শাথিরবা ফীভম অসি অদুমক মখা তানা চৎথখিগনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মরমদি দ্রগ ললোল্লিবা মীওইশিংদা অকিবা হায়বদু লৈত্রে। মরম অদুনা লমদম অসিদগী মাংখিগদৌরবগুম্না মমি শাম্লক্লবা অচুম্বা ৱায়েল অমুক পুরকপা ঙম্নবা লৈঙাক্না অকনবা মওংদা থবক পায়খৎহন্নিংই। মরমদি পীকখ্রবা ষ্টেট অসিদা দ্রগ এদিক্ট ওইরিবা মীওইশিং অসি অদুক্কী মতিক য়ামখ্রে।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

# লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচ এন এস): লোংজম লাইরেম্বী হরাওবা কম্মিটি, লাংজিং অচৌবগী মেম্বর ওইরম্বা সৌবাম ইবোতোনগী মচানুপা সৌবাম দেনিনা মমাঙ থাগী ২৬তা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়না কম্মিটি অসিগী সেক্রেটরি এস প্রবিননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মশাগী অনাবা অমদগী মমাঙ থাগী ২৬তা তাইবং শেম্বা মপুগী খুয়া তানখ্রে। মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি। কম্মিটিগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা অৱাবা ফোঙলি। মহাক্না হিংলিঙৈ মতমদা লৈকায়গী অমদি চহী খূদিংগী পাঙথোকপা লাই হরাওবগী থবক থৌরম কয়াদা থৌদাং কয়া লৌরম্মী। মহাক্না লৈখিদবসি য়াম্না লাইবক থীবনি। ঙসি ফমখিবা কম্মিটিগী মীফমদা শরুক য়াখিবশিংনা মিনিট ২ তুমীন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙখি। ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি। মহাক্না লৈখিদবা অসি য়াম্না চাউনা মাঙজবা অমনি। মহাক্না হিংলিঙৈদা মীয়ামগীদমক থবক কয়া তৌরম্মী হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# পি জি অমদি অন্দর গ্রেজ্যুএটকী সেমিষ্টর এগজামিনেসনগী অমুক হন্না খন্নফম থোকই : এমসু

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক্কী ফীভমসিদা ওফলাইন এগজামিনেসন তৌবা ওইথোক্লোই। পি জি অমদি অন্দর গ্রেজ্যুএটকী টর্মিনেল সেমিষ্টরশিংগী এগজামিনেসন অমুক হন্না খন্নফম থোকই হায়না ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) হেদ ক্বার্টরগী হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট সেক্রেটরি ব্রুশ পেবমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কোভিদ-১৯না নাখিবা মীওই ইন্দিয়া পুম্বগী ওইনা লাখ ১৮ হেনখিবগা লোয়ননা ইরমদম অসিদসু মীশি-মীনা য়াওরকপগা লোয়ননা কম্যুনিটি ট্রান্সমিসনগী থাক লাক্লবা মতাং ওইরি। মণিপুর মীয়াম্না মীকুপ নাহুম শিংনা দল্লিয়ু ঐচ ওনা পীরিবা হেল্‌থকী গাইদলাইনশিং ইনমিন্নদুনা পুন্না কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিবু লাম্থেংনগদবা মতম ওইরে। এমসুনা হেন্না মীৎয়েং থম্লিবদি ঐখোয়গী এদ্যুকেসন সেক্তর অসিনি। জুলাই ৬তা য়ু জি সীনা অমুক হন্না রিভাইস তৌদুনা মহৈরোয়শিংগী একাদেমীক করিয়রগীদমক খল্লগা ইন্দিয়া পুম্বগী ওইনা লৈরিবা য়ুনিভর্সিটিশিংনা টর্মিনেল সেমিষ্টরশিংগী এগজা-মিনেসন অসি সেপ্টেম্বর থা ফাওবগী মনুংদা লোইশিনগদবনি হায়না লাউথোকখ্রে।

য়ু জি সীগী গাইদলাইন মতুংইন্না মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনসু অন্দর গ্রেজ্যুএট অমদি পোষ্ট গ্রেজ্যুএটশিংগী টর্মিনেল সেমিষ্টর এগজাম অসি সেপ্টেম্বর অহানবা চয়োলদগী হৌনবা নোটিফিকেসন অমদি টাইম টেবল থোকখ্রে। মতাং অসিদা কোভিদ-১৯গী ফীভম অসিদা লোকদাউন হাংদুনা মহৈরোয়শিংগী এগজামিনেসন পাঙথোকপা অসি য়াম্না রিস্ক ওইবা খোঙথাংনি। থা ৬ না শাবা সেমিষ্টর অমবু থা ২ ফাওবা নীংথিনা ক্লাস তৌবা ফংখিদবা অমদি সিলেবস তংখায় ফাওবা কভর তৌদনা মহৈরোয়শিংনা এগজাম ফম্বা হায়বসি ফেয়র ওইদে হায়না লৌই। য়ু জি সীগী গাইদলাইন মতুংইন্না ওনলাইন, ওফলাইন এগজাম তৌবা য়াগনি হায়না ফেক্সিবিলিটি অমা পীরবসু মসিগী মতাংদা ষ্টেটকী ওইনা ফজনা গাইদলাইন শেমদবগী চাউনা মমি তারি।

ওফলাইন মোততা হান্নগুম এগজাম থানবা থোরক্লিবা নোটিফিকেসন অসি ওইথোকপা ৱাগনি। ফীভম অসিনা মরম ওইরগা মহৈরোয়শিংদা পাখৎপা, চরাংনবা কয়া পোকহল্লে। লাইচৎ অসিগা শাগোন্নরা হিংবা তারক্লি। মালেমগী চাউখৎ-লমজেলদা য়াওদবা য়াদে। মহৈরোয় খুন্নাইসু কন্দবা য়াদে। লৈরিবা ফীভম অসিদদি কুপ্পা খন্নবদা রাইট টু লাইফনা রাইট টু এদ্যুকেসনদগী হেন্না মরুওইবা তাঞ্জা অমদা ঐখোয় ময়াম পুন্না লেপমিন্নরসি। দিল্লি লৈঙাক অমদি মহারাষ্ট্রা লৈঙাক্না মখোয়গী ওইনা ফাইনেল ইয়র সেমিষ্টর এগজামিনেসনশিং কেন্সেল তৌরগনি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রে। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা এম য়ু ওথোরিটিনা টর্মিনেল সেমিষ্টরশিংগী এগজামিনেসনগী মতাংসি অমুক হন্না খন্নবগীদমক অথুবদা রিভিয়ু মীটিং অমা ফম্নবা এমসুনা আপিল তৌরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# ‘আই এল পি পাস পীবা লেপকদবনি’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচ এন এস): আই এল পি পাস পীবা লেপকদবনি হায়না হাওখা মমাঙ ৱিমেন্স এসোসিএসনগী সেক্রেটরি কুমু লৈমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

মালেম পুম্বগী লাইচৎ ওইনা শন্দো-রক্লিবা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মসিবু লাকশিনবগী শরুক অমা ওইনা মপান লমদগী লাকপা মীওইশিংদা পীরম্বা আই এল পি পাস অদু মণিপুর লৈঙাক্না চহী অসিগী মার্চ ১৮দগী থিংজিন্দুনা লাকখি। লাইবক থীবদি মণিপুরদসু মপান লমগী ট্রেভেল হিষ্ট্রি লৈতবা মীওই কয়াদসু কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসি লোকল ট্রান্সমিসনগী থাক্তা শন্দোরক্লি। লুরবা তানফম অসিদা মণিপুর লৈঙাক্কী স্পেসল সেক্রেটরি (হোম)না থোকপা অনৌবা ওর্দর অমদা চহী অসিগী জুলাই ২১ দগী আই এল পি পাস পীবা হৌরগনি হায়না ৱাফম অমা লাক্লিবসি মীয়ামগী লাইবক থীবা অমনি। মীয়াম্না লৈঙাক্তা হংনিংলিবদি কয়া য়াম্না তঙাইফদবা লৈবদগী মপান লমগী মীওইশিং অসি চঙহন্নিংলিবনো। রেদ জোনদগী লাকপা য়াওরক্লোই হায়বা তম্বা ঙম্বা নত্তে হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারি।

## লাইবক থীবনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লোকদাউন তৌখিবদগী নোংমগী শুরগা চাবা লায়রবা মীয়ামদা চৈথেং পীরিঙৈ তাল্লক্তা অনা-অয়েক্কী লমদা লৈরিবা ডোক্তর, নর্সশিংনা মনিং হনবগী ফীভমদা লাকপসি লাইবক থীবনি হায়না ককচিং দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসনগী জেনরেল সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, দিষ্ট্রিক্ট অসিদা অনা-অয়েক য়াওরকপদা তঙাইফদ্দনা লায়েংনবা হোস্পিটালশিং, পি ঐচ সীদা ডোক্তর মতিক চানা থমদুনা অমদি কোভিদ-১৯গী টেষ্ট ফ্রী ওইনা তৌবা য়াবা মফম খরা হেনগৎহন্দুনা অৱা-অনা তারবা মীয়ামগীদমক খনবীফম থোকই। কোভিদ-১৯দগী ঐখোয় পুন্না লেপমিন্নদুনা ঙাকথোক্নবা হোৎনমিন্নসি। খুৎ-শা তোয়না হাম্বা, মাস্ক শীজিন্নবা, সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাকপা য়াওনা চৎন-কাঙলোনশিং নীংথিনা ঙাকমিন্নবা তঙাইফদে। মণিপুরদা কোভিদ-১৯না নোংম-নোংমগী খুদোংথিবা হেনগৎলক্লি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# ‘ভি দি এফশিংনা তান্দুনা লাক্লিবা দিমান্দ লৈঙাক্না ৱারোইশিন পুরকপনা অফবা খোঙথাং ওইরোইদ্রা’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দর ঙাকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা ভি দি এফশিংনা মতম শাংনা তান্দুনা লাকপা দিমান্দশিং মতম চানা লৈঙাক্না ৱারোইশিন পুরকপনা অফবা খোঙথাং ওইরোইদ্রা হায়না মণিপুর মুস্লিম ৱেলফেয়র ওর্গনাইজেসন (এম এম দব্লিয়ু ও)গী ভাইস প্রসিদেন্টনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ভি দি এফশিং অসি মণিপুরগী কাচিন-কোয়া থুংনা লৈরিবা মরম্না লৈঙাক্না ষ্টেট অসিগী লো এন্দ ওর্দর ঙাকপদা মফম-মতম চানা সোল্ল তৌবদা খুদোংচাহনবদা নত্তনা মণিপুরগী লুরবা ইস্যু কয়াদা মখোয়বু শীজিন্নরি। ভি দি এফশিংগী থৌদাং অসি খঙফম থোকই। ষ্টেট অসিদা ঈরাং কয়া লৈরিঙৈ অমদি থৌদোক কয়াদা ভি দি এফশিংনা থবক তৌরক্লিবনি। মণিপুরগী কনষ্টিট্যুএন্সি ৬০দা ভি দি এফ হায়না পর্সনেল লিশিং ১০ হেন্না লৌদুনা পুলিসকী মতেং ওইনা থমখিবনি। লমদম অসিদা মীয়াম চনিং তানা তূম্বা ফংলকখিবনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

মণিপুর লৈঙাক্কী মরুওইবা থবক থৌরম কয়াদা, দিপার্টমেন্ট, বেঙ্কনচিংবা কয়াদসু শীজিন্নরি। অখন্নবা পোলিসী খরা শেমদুনা মীওইবা অমা ওইবগী হ্যুমেনিটি গ্রাউন্দদা পীফম থোকপা ফেসিলিটি কয়া পীফম থোকই। আর্মদ ফোর্স ওইনা শীজিন্নবা হায়বসি তঙাইফদনা থা ১গী আর্মদ এল্লাওৱেন্সনচিংবা কয়া পীবা য়াবগী রাইট লৈ। ভি দি এফশিংগী থবক থৌরম কয়াসি খঙবীফম থোকই। পুলিস দিপার্টমেন্টনা এম পি বেজ থেৎহল্লগা দ্যুটি তৌহনবা কয়া কুপথনা থিরুবদা ভি দি এফ ওইরম্বসু য়াওদবা নত্তে। মসি দিপার্টমেন্ট অসিনা অরানবা লম্বী চৎপা তম্বীবনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। ঙসিমকসু য়াম্না লুরবা কোরোনাভাইরসকী লাম্থেংনবদা ষ্টেট অসিগী ফ্রন্টলাইনদা লেপ্পুনা মখোয়না লৌরিবা থৌদাং শীংথানিংঙাই ওই। মখোয়দি মীওইবা নৎত্রবরা। রিস্ক লৌরি হায়বসি খঙবা চুম্মী।

মণিপুরগী এম এল এ ৬০গী এ সীশিংদা ভি দি এফ লৈতবা য়াওরম্লোই। ঙসি ফাওবা মরোল থোক্তবগুম লৈশিনবসি লাইবক থীবনি। য়াম্না লুরবা তানফম অসিদা ফ্রন্টলাইনদা থবক তৌরিবা ভি দি এফশিংনা ষ্টেট অসিদা পুকচাক্কী ষ্ট্রাইক তৌরি হায়বদা লৈঙাক অসিগী লেমজফম কদায়দনো। মফম-মতম য়েংলগা ভি দি এফশিংগী ভেকেন্সি লাকপদা ষ্টেট অসিগী এম এল এ, মিনিষ্টর কয়ানা এস পি, দি জি পিদা লেট্টর কয়া থারকপগী পাউ মীয়াম্না খঙনরি। মতিক চাবা খুৎশুমল পীনবা দিমান্দ তৌরকপা মতমদা পর্সনেল প্রোপর্টি কায়বগুম এ সীগী ইচিল-ইনাওনি খন্দবা অসিনা তাকপদি ভি দি এফ লৌখ্রিবা অসি করিগীনো। মরম লৈতনা করিগুম্বা প্রোব্লেম অমা লাক্লবা হোৎনরকপা, ট্রেন তৌরবা ফোর্স অমবু ইনক্কারি তৌদুনা অচুম-অরান করিসু থিদনা লৌথোকপা অমদি অতোপ্পা অমুক হাপচিনবগী থৌওং কয়া চৎথরি হায়নসু মখা তারি।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৪।০৮।২০২০ ইং, লৈবাকপোকপা ;
থৱানগী ১৬নি পানবা।




**মেষ :** নীংবা মপা চাবা, লাইবক ফবা, মীচং লৈবা, ঈকাই খুম্নবা ফংজবা, অয়েৎপা কোকচবা অমদি য়েক্নববু লায়না খুদুম চনবা ঙম্বা নুমীৎনি। অঙম্বনা চানবীগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ৱাখল নুংঙাইগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা



**বৃষ :** থেংলপ্পা মীয়ামগী মতেং ফংজগনি অমদি য়েক্নবা লৈরল্লসু কোকচগনি। অফবা থবক্তা শেল থাদবা অকায়বা লৈরোই। অখঙ-অহৈ খজিক তান্নদ্রদি শেল মাংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা তেংবাংবীগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক



**মিথুন :** অফ-ফত্তা য়ান্নবা নুমীৎনি। খন্থদনা অনম তানবা ময়েং তাগনি অমদি মীৱা থাজরদি কিজবা পোক্কনি। নচা-ননাই অমদি মীয়াম্না পাম্নবা থবক্তদি মহয় য়ানগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - পূক্লিং পেন্না নুংঙাইজগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক



**কর্কট :** থৌনা লৈবা অমদি লাইবকসু ফবনা অয়াম্বা থবক্তা মায় পাক্কনি। অদুনা খুদোংচাবা মাংহন্দনা অফবা থবক পাংহৌবা ফগনি। য়েক্নবদি লৈ-নাপল তৌগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাইজবা লৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা



**সিংহ :** পূন্নমক্তা মায় পাকচৌ হায়বা নুমীৎনি। অদুনা থবক খূদিং মহয় য়ানবা হায়বসি নশাদা লৈরে-কনাদসু তাইনরুনু অমদি মতম মাংহনগনু। মী লোয়নবদি হৈয়ু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশি মরী ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা



**কন্যা :** পূক্লিং ফাথনা থৌ পাংগদবা নুমীৎনি-নত্রদি মতম মাংগনি। মরুপ অমদি ইমুং-মনুং ফাওবা ৱাখল তানদবা লৈ। লনদি ফংই, থেংলপ্পা মীকোক থোংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা চানবী।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/য়াইঙং



**তুলা :** মীকোক থোংবা, অনীংবা থবক পাংবদা খূৎলোয়বা অমদি হরাও তয়াম্বনা নথক থোংববু লায়না খূদুম চনবা ঙমজবা নুমীৎনি। লৈঙাক্কী লম্‌দা মায় পাক্কনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - অঙনবদা নীংবা থুংই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা




**বৃশ্চিক :** পোরম য়াৎপা, অরং-অরাক লৌশিনবা অমদি ঙাং-শকপগী লম্‌দা অখঙ-অহৈ তানৌ। হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎনি। মীচংদি লৈ অমদি ৱানোম-থৌনোম কান্নগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/ফৌ



**ধনু :** মরুপ্পা অপঙ তাহনবা য়াবা অমদি হুরানবনা য়ূমদা কিহনবা য়াবা লৈ। লৌশিং থোকপসু ৱাৎলি অদুনা নাইতোম ৱা তুপথোক্তবা ফৈ। ইমুং-মনুংগী ৱাদি লৌ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - চরাংনবনা কায়ননি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক



**মকর :** ৱাখল নুংঙাইবা, পাউ নুংঙাইবা তাবা নত্রগা থাজদনা ওইজ-ওইথক য়াম্না ফংগদবা নুমীৎনি। অদুবু মীয়ামগা মরী ফবা ৱাৎপা অমদি নচা-ননাই মাংবা লৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা/চেঙ



**কুম্বা :** মীকোক থোংগনি, পাইরক্কী লৌশিং চাওবনা মীনা লাকচবা ঙম্লোই অমদি নীংহন্নদনা মাংলোমদা চঙশিল্লু। অনৌবা থৌরম পাংবদি নরলদা তায়নগনি-তপথখো।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবগী য়াৱা তাও।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা



**মিন :** খোইরাংবদি ঙসিসু লৈগনি অমদি অঙম্বগা মুক্নদবা ফগনি। য়েৎনরম্বদি কোক্লনি অমদি থিজিনবগী কান্নবা ফংবা য়াবা লৈরে। লৌশিংদি খরা ৱাৎলি- তহাগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/য়াইঙং

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।